# ৱাখল য়াওদবা মিৎতাংবনি হায়বদা শাওগুমসি..ঃ বিজেন্তি লৈমা








আর্ট হায়বসি পংলাই লাইনা অমদি পংতৌদা তৌশিন্না য়াবা নত্তে। মদুনা কৈদৌঙৈদসু মায় পাকপা হায়বদুদি ওইরোই, মঙদা মঙ্গ্রা তান্বা তাবগুম্মা থোক্কনি। থব্রায় হকচাং য়াওনা হোৎনরবতদা মায় পাকপগী লম্বী ওইরিবনি। ওজা গুরু নাইনা অহল লমন মশক খঙনা চৎলবতদা ফঙগনি অরংবা থব্রানমিচাক হায়না চহি অসিগী ওইনা উরিষাগী কটক্তা পাঙথোকপা "২৩শুবা ওল ইন্দিয়া মল্টি লেঙ্গোইজ দ্রামা কম্পিটিসন ২০১৫" শরুক য়ারুবা "এক্টর চিয়ারমেনগী এব্রার্দ ফংলকখ্রবী নিঙোম্বম ওংবী বিজেন্তি লৈমনা পাউ-চে অসিদা পাউদম্লক্লি।



শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইদা লৈবা টি ঐচ তেজমনি অমদি টি ঐচ ওংবী গম্ভিনি অনীগী মচা মাপল পোকপগী মনুংদা মরিশুবা ওইনা চেন-চোংদুনা চাওরকখিবী বিজেন্তি লৈমনা পি য়ু সি তন্লিঁঙৈ বাসিখোং ৱাঙ্খে লৌমান্বীদা লৈবা নিঙোম্বম শামো মৈতৈগা য়ুম্বাল পুন্সিদা খোঙদামিন্নখি। য়ুমগী মৌ অমা হায়বদু ওইরগসু মাহৈ তম্বদি মখা অদুম চখদুনা মণিপুর কলেজদা বি এ লোইশিনখি। তাইবং ঙানবা, অথৌ, চীংলেম্বী অমদি লনচেম্বী হায়না মীংথোনবা মীংথোনবী মচা মরি ফংলবা মতুং মচাতোম্বীনা চহী মরি ফারকপা অদুৱাইদা বিজেন্তি লৈমা দ্রমাগী ফম্পাক্তা খোঙদাবা হৌরকখি। বিজেন্তি লৈমা হৌজিক-হৌজিক হৈরাঙ্গোইথোং য়াঙম লৈরক নুপী শুমাং লীলা এসোসিয়েসনগী অর্টিষ্ট অমা হায়বদু ওইরি। হায়রিবা এসোসিয়েসন অসিনা "২৩শুবা ওল ইন্দিয়া মল্টি লেঙ্গোইজ দ্রমা কম্পিটিসন ২০১৫"দা "লুৱাং চনু য়াং দোংবী" হায়বা প্লে অমা উৎলুবদা এসোসিয়েসন অসিনা অহুমশুবা মনা লৌরকপদা নত্তনা কম্পিটিসন অসিগী খ্বাইদগী চাওবা মানা ওইরিবা " এক্টর চীয়ারমেন"গী এব্রার্দ বিজেন্তি লৈমনা ফংবা ঙমখিবনি।

বিজেন্তি লৈমনা মহৈ তন্লিঁঙৈ মতমদগী ফিল্ম,দ্রমা, লীলাগী অর্টিষ্ট অমা ওইবা পাম্লকখি। মহৈ তম্বা মতম ওইবনা অপোকপা-অপোকপী অমদি ময়ুমগী মথক থোংবশিংনা অতোপ্পা হিরমদা ৱাখল চোইবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখিবনা মহাক্কী অনিংবা অপাম্বা লম্বী অদুদি মং ফাওনদ্রবা মঙলানগুম ওইখি। মশাগী চহি ১৯শুরকপা নুপী ওইবীগী শক্তম মপুং ফারকপা অদুৱাইদা শাগৈ ওল্লবসু মহাক্কী অনিংবা অপাম্বা মঙলান অদুদা অদুম্মক মংমঙদুনা লৈখি। করম্বা মতমদা মহাক্কী মঙলান দু মঙফাওনদোইনো হায়বসিনা মহাক্কী ৱাখল্লোন ওইদুনা পোত্থাবা ঙমহনখিদে। চৎনবী কয়ানা য়োমদুনা থল্লম্বা সমাজ অসিনা করি হায়নখিগদগে অমদি মপুরোইবনা করি হায়রক্কদগে হায়বগী লাং তক্কবা কয়া লৈবনা মহাক্কী অনিংবা অপাম্বা অদু কনাদসু ফোংদোকপা ঙমখিদে। মতম শাংনা লৈমিন্নরকপনা মপুরোইবনা মহাক্কী অনিংবা অপাম্বা খঙদবদি নত্তে, অদুবু মহাক্কদি নোংমতা মচিন কাঙথোকলুদে। বিজেন্তি লৈমনা মচা মরি ফংলবা মচা অতোম্বীনা চহি মরি ফারকপা অদুৱাইদা মহাক্কী লৈকাই অদুদা লৈবা বাশিখোং দ্রমাটিক য়ুনিয়ন্না শান্নগদৌবা "দেবকী" হায়না মীংথোনবা দ্রমা অমদা সেনাপটিগী নুপী শাগদৌবী মীওই অমা ৱাৎপদগী য়ুনিয়ন অসিগী মরুওইবা মীওই অহুম্না মঙোন্দা শানবা হায়বা লাকখি। হরাওবনা ৱাতোন তোঙলবসু মপুরোইবনা করি হায়রক্কনি খল্লুবদা ৱাতোন্দগী তারকখিবা খঙহৌদে হায়বদু থোকখি। মপুরোইবনা মুন্না খল্লবা মতুং "নঙনা চৎকে খল্লিবা লম্বী অদুদা নিয়ম চুম্না চৎকে হায়রবদি চৎলু, কলা হায়বসি তরাইনা খনগনু" হায়রগা অয়াবা পিরকপদগী বিজেন্তি হরাওবনা ৱাতোন্দা নত্তে পোকপগী মহয় য়াল্লে হায়না হরাওজখি। মহাক্না ওজা হায়না কৌজবা কে ঐচ রতনগী লমজিং মখাদা খোঙদাবা ফংদুনা লীলাগী লমদা মায়-মীৎ পাঙবা ঙমজখিবনা ওজা অসিবু মহাক্কী ওইনা খ্বাইদগী ইকাই খুম্নজরিবা মীশক ওইরি হায়বা ৱাফম কয়াসু থল্লকখি।

পুন্সিগী অহান্বা শান্নখিবা "দেবকি" অদুদা বেষ্ট সপোর্টিংগী মনা লৌবা ঙল্লকখি। মনা (এব্রার্দ) অসি ফংবদা ওজাশিংবু কোইথিথিদুনা খোঙ শোত্তুনা খুরুমজখি। নুপী লীলাগী ওইনসু ইং ২০১০গী ওইনা ক্লাকৈথেলগী চনুরা কম দ্রমাটিক এসোসিয়েসনগী "শুমহৎখ্রবা থব্রায়" হায়না মীংথোম্বা ওজা ইবোয়াইমা খুমন্না দাইরেক্সন পীবা লীলাদা 'অকোং সেনাপটি'গী শক্তম লাংদুনা এম দি য়ু দা পাঙথোকপা কম্পিটিসন্দা শরুক য়ারুবদা অপুন্বগী ওইনা অহান্বা মনা ফংবা ঙমখি। হোৎনজমন মহয় হায়গদ্রা লাইবক ফবা হায়গদ্র মহাক্কী মশু থোকপা ওক্রম থোংলেন ঙান্বনা কৌব্রু ষ্টুদিওগী এদিটিং তৌরিবা আর কে সুর্জিৎকা খঙনহন্দুনা মহাক্কী পুন্সিগী ওইনা "ঐগী এফিও" হায়বা কৌব্রু ফিল্ম প্রদক্সনগী মখাদা পুথোকপা ইপুনা দাইরেক্সন পীবা ফিল্ম অদুদা খোঙদাবা হৌরকখি। মসিগী মখা তারকপদা "লাইবক্লা অমা বিধিনা অমা, নুংশি শম্বল" অমদি আই এস টি ভিদা হপ্তা খুদিংগী পুথোকপা মণিপুরদা থোকপা অশেংবা ৱারিদা য়ুমফম ওইবা মেগা টি ভি সেরিয়েল "চৈনাখোল"গী শরুক অমা ওইরিবা "ঐগী ইরাল্লা" হায়বা সেরিয়েল অদুদসু লাইবক ফদুনা শরুক য়াবা ঙমজখি হায়নসু মখা তানা ফোংদোরক্লি।

হংখিবা ৱাহং খরগী পাউখুম ওইনা ফোংদোকখিবদা... নুপী ওইবী কয়াগী পুন্সিদা তত্তনা অৱাবা মায়োক্কহল্লিবা কয়া লৈরিমখৈদি চাওখৎপা য়াখিরোই। মী অমনা অমবু ইকাই খুম্নবা ঙম্লবতদা চাওখৎপগী মায়খুম হাং লক্কনি। ঙসি চৎনরিবা লৈঙাক্লোন অসিদি অঙম্বশিংগী মনিং তম্বা লৈবাক্কি হায়নিংই । মীতোপ্পা খোইহি তৈদুনা কামশিল্লকপা হু অদু মশক খঙনমিন্নসি। মীনা কামশিল্লকপা হু অদুবু থুম্মী হায়দুনা থক্কুনা লৈরবদি ৱাখল য়াওদবা, মীৎ তাংবা অমনি হায়রকপদা শাওফম থোক্তে। ইরমদম অসি অফবা লম্বীদা খরতা ওইরবসু মায়ওন চুম্বদা মাগী-মাগী অঙম্বা থৌনা লৌশিং ৱাখল্লোন্নচিংবা পুথোকমিন্নসি হায়নসু বিজেন্তি লৈমনা পাউ-চে অসিদা পাউদম্লকখি।





**MEDAL TALLY**

| Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|
| 1 United States | 39 | 35 | 32 | 106 |
| 2 Great Britain | 26 | 22 | 15 | 63 |
| 3 China | 23 | 18 | 26 | 67 |
| 4 Germany | 16 | 9 | 14 | 39 |
| 5 Russia | 13 | 16 | 19 | 48 |
| 6 Japan | 12 | 8 | 21 | 41 |
| 7 France | 9 | 16 | 14 | 39 |
| 8 South Korea | 9 | 3 | 8 | 20 |
| 9 Australia | 8 | 11 | 10 | 29 |
| 10 Italy | 8 | 11 | 7 | 26 |
| 11 Netherlands | 8 | 6 | 4 | 18 |
| 12 Hungary | 8 | 3 | 4 | 15 |
| 13 Spain | 6 | 2 | 4 | 12 |
| 14 Jamaica | 6 | 1 | 2 | 9 |
| 15 Brazil | 5 | 6 | 5 | 16 |
| 16 Kenya | 5 | 5 | 0 | 10 |
| 17 Croatia | 5 | 2 | 1 | 8 |
| 18 New Zealand | 4 | 9 | 4 | 17 |
| 19 Canada | 4 | 3 | 15 | 22 |
| 20 Kazakhstan | 3 | 5 | 9 | 17 |
| 21 Cuba | 3 | 2 | 4 | 9 |
| 22 Colombia | 3 | 2 | 3 | 8 |
| 23 Greece | 3 | 1 | 2 | 6 |
| 24 Argentina | 3 | 1 | 0 | 4 |
| 25 Iran | 3 | 0 | 4 | 7 |
| 26 Sweden | 2 | 6 | 3 | 11 |
| 27 Ukraine | 2 | 4 | 3 | 9 |
| 28 Poland | 2 | 3 | 6 | 11 |
| 29 North Korea | 2 | 3 | 2 | 7 |
| 30 Belgium | 2 | 2 | 2 | 6 |
| 30 Switzerland | 2 | 2 | 2 | 6 |
| 30 Thailand | 2 | 2 | 2 | 6 |
| 33 Slovakia | 2 | 2 | 0 | 4 |
| 34 Uzbekistan | 2 | 1 | 5 | 8 |
| 35 Georgia | 2 | 1 | 3 | 6 |
| 36 Denmark | 1 | 6 | 7 | 14 |
| 37 South Africa | 1 | 6 | 2 | 9 |
| 38 Belarus | 1 | 4 | 3 | 8 |
| 39 Armenia | 1 | 3 | 0 | 4 |
| 40 Serbia | 1 | 2 | 2 | 5 |
| 41 Slovenia | 1 | 2 | 1 | 4 |
| 42 Indonesia | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 43 Czech Rep | 1 | 1 | 7 | 9 |
| 44 Ethiopia | 1 | 1 | 4 | 6 |
| 45 Romania | 1 | 1 | 2 | 4 |
| 46 Bahrain | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 46 Vietnam | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 48 Chinese Taipei | 1 | 0 | 2 | 3 |
| 49 Côte d'Ivoire | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 49 IOA | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 51 Bahamas | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 51 Fiji | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 51 Jordan | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 51 Kosovo | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 51 Puerto Rico | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 51 Singapore | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 51 Tajikistan | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 58 Azerbaijan | 0 | 4 | 9 | 13 |
| 59 Malaysia | 0 | 4 | 1 | 5 |
| 60 Turkey | 0 | 2 | 4 | 6 |
| 61 Ireland | 0 | 2 | 0 | 2 |
| 62 Lithuania | 0 | 1 | 3 | 4 |
| 63 Venezuela | 0 | 1 | 2 | 3 |
| 64 India | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 64 Mexico | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 64 Mongolia | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 67 Algeria | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 67 Grenada | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 67 Philippines | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 67 Qatar | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 71 Norway | 0 | 0 | 4 | 4 |
| 72 Egypt | 0 | 0 | 3 | 3 |
| 72 Tunisia | 0 | 0 | 3 | 3 |
| 74 Israel | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 75 Austria | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 75 Bulgaria | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 75 Dominican Rep | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 75 Estonia | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 75 Finland | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 75 Morocco | 0 | 0 | 1 | 1 |
















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*